# অপাইবা লৈচিলগুম্না নীং-খা তম্না শক্লোন হোংবা - মসিবু লৈঙাক্লোনগী মচৎ হায়দুরা?

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

*পোলিটিক্সতা ওইথোক্তবা লৈতে।* মী অয়াম্বনা অসুম্না হেক হেক হায়নৈ। লানবা চুম্বনা ৱাফম অমা ওইখ্রগা ঐখোয় অয়াম্বনসু অদুম্মক য়াবদৌনা লৈরক্লি। লৈঙাক থৌরমদা মায়পুনবা থৌদাং লৌরুরো হায়না ঐখোয়না থাগৎখিবা মীহুৎশিংনা চোংথোক-চোংশিন, চেন্থোক-চেনশিন শান্নরকপা মতমদা পন্নবা ৱাফমনি। মচৎ অসি ইনৌ নৌবা অমদি নত্তে। থায়না নিংথৌ পানবগী লৈঙাক লৈরিঙৈদসু অদুম চৎনরম্মী। ঙরাং নুমিৎকুম্না মশেক মঙান নাইনা সনা ফম্বানগী লৈতেং ওইহৌবদু নোংঙাল্লকপা ঙাইঙমদনা কাখু অমদা য়োৎহিং ফলাং চন্দুনা মমল য়াল্লবা সনা হকচাংগা থৱায় চেল্লোগা খায়নবগী পুংফম ঙাইদুনা লৈবসু কোঙ্গায়নি। মসি মীওইবা পুৱারীগী খোঙচৎকা ইরোয়নরকখিবা মালেম শিনবা থুংনা চৎনদুনা লাকখিবা লৈঙাক্লোনগী মচৎ অমগুম্না লৈরক্লি। চরাংনবা, লাংতক্লবা, লৌতুনবা, থাংদোক-থাংজিনগী ৱারী লোইনাইদে। চানক্যগী খুজিন থৌরাংনা নন্দ শাগৈ ইন্দুরগা শুদ্র নিংঙোল মুরাগী মচানি হায়না থাজনরিবা চন্দ্রগুপ্তবু নিংথৌ শেমদুনা মৌর্য্য শাগৈ লিংখৎখিবগী ৱাফম পুৱারীগী লমায়দা ইদুনা লৈরি। অসিগুম্বা অওনবা অমা লাক্কনি হায়বসি মী অয়াম্বনা খঙনরম্লোই। ধন নন্দ নিংথৌ মশামকসুনি। অসুম্না শক্তি মুন্নবগী লাল্লোং শেমদুনতা লৈবা লৈঙাক্লোনগী মচৎসিদা ঈমু নাইমু তানখিবগী অকি-তুজুংলবা থৌদোক কয়া মশীং থিঙমদখৈ লৈখ্রবনি। মসিদসু নত্তনা বাবরনা লিংখৎলম্বা খূৎকন পাঙ্গল্লবা মুগল শাগৈনা লৈখা তাখিবা অমদি বৃটিশ লৈঙাক্লা চহী চনী ফানীংশিৎ মরু মরা তানা ইন্দিয়া পূম্বদা পাল্লম্বা সুংখন খল্লুদবা অঙকপা লৈঙাকলোনগী খোঙচৎনি হায়দবা ঙল্লোই। রুসিয়াদা জার শাগৈ, জর্মনিগী হিটলর, ইটালিগী মুসোলিনিনচিংবগী মতিক মঙাল লোইশিনখিনি হায়বসি মশা মশামক্লসু খল্লমগদ্রা? থাঙ্গৈশেংনমক হায়রবদা লৈচিলগুম্না শক্লোন হোংবা লৈঙাক্লোনগী মচৎ অমা লৈজৈ হায়বা য়াই।

মণিপুর লৈঙাকলোনগী খোঙচৎসু অদুমঙায়, মসিনা মরোইরে হায়বা ঙমদনা লাকখিবনি। আ য়েলহৌঙৈদগীনি হায়বা য়াই। ওইথোক্কনি থাজদবা থৌদোক কয়া থোকখিদবা নত্তে। অদুঙৈ কংলৈদা পানখিবা নুমিৎ সনা খোমদোনগী ময়াম্বুং তাউহুইরেং অহনববু মনাই খ্বাই নোংচেংবম পিবানা মরিং খুনবীলোক্তা কাপথখ্রবদা মতিক মঙাল লৈরবা নুমিৎ সনা খোমদোন ফম্বাল থাদোক্লগা লোৎখিবনি। তম্বা ঙমদবা অরেপ্পা লৈতবা লৈঙাক্লোনগী মচৎ লৈবনরা ইপা ইপুশিংনা মসিগা মরী লৈনবা নোংথৌ মখোঙ কোয়বগী মিথ অমা তাবুনুংদা থম্বীরম্মী। গুরুনা মপারি অহুম-অতিয়া শিদবা, অশিবা অমদি কোচিল তুথোকপদা নোংথৌ মখোঙ কোয়রুনবা য়াথং তাওথখি। ইহান হান্না থুংলবা মীশক্তা ফম্বাল পীবা হায়না ৱারেপ লৌই। ময়াম্বা অনীনা য়াথং অদু থবক্তা ওন্থোকপা ঙম্মী। মদু ঙমদবা মনাউ অতোম্বনা গুরুগী ফানথোঙ তরেৎলক কোয়রবদা মপা গুরুগী মতিক ময়াই খঙবনি হায়দুনা ফম্বাল শিন্নখি। হায়নখিবা ৱা ঙাক্তবা নীংলুদবা, খল্লুদবা কয়া ওইরকপা ওইথোক্তবা লৈতবা অকুপ্পা কাঙলোন কয়া লৈরিবা লৈঙাকলোননি হায়বগী খুদম চাংদমনি। মতাং মতাংগী ওইরক্লিবা ফীভম য়েংদুনা ওন্নীংবা মওংদা ওনবা য়াবা লৈঙাকলোননি হায়দবা ঙল্লোই। লাই হাক্তক্তগী চৎনদুনা লাক্লবনি হায়দুনসু মথং-মনাও নাইনা অসুম মীরোন খুদিংমক্তা চথ্দুনা লৈবগী মাঙজবা কয়াসু লৈতবা নত্তে। অতোপ্পা মিথ অমগী মতুংইন্না লৌতুনবা মানবা থৌওং অদুদা পেন্দ্রদুনা অশিবনা মনাওনুপা কোচিন তুথোকপবু হাৎকে হায়না তান্নখি। কাইনথংদা য়ূমথোঙ খুদিংমক্কী মপু ওইহল্লবা অশিবগী অশাউবা ফাথদুনা শন্তাইনবা পুরকখি হায়বগী ৱাফমসু লৈ। লৈবাক মীয়ামগী লাইবক লেপ্লিবা লৈঙাকলোন্দা হায়নখিবা ৱা ঙাক্তবগী মচৎ লৈবমক্তি পূম্নমক্কী লাইবক থীবনি। মসিগুম্বসি লৈরম্বনা মরাল লৈজদবা মীওই কয়াগী ঙক কেনখিবা থৌদোক কয়া লৈরম্বসু য়াই। মীওইবা মরক্তা চেল্লিবা নুংশিনবা তরু তরুবা ঈচেলবু ফত্ত হাওদিনা মোৎশিনহনবা অমদি ঈচেল অদু কংহনখিবসু কোঙ্গায়নি। অদুগুম্লবা ৱাখল মীৎয়েং অদুগী কাখুনুংদা শুংখিবা ফত্ত লৌশিংগী থৌরাং লৌতুনবা থৌওং কয়ানা মরম ওইরগা লেপ্লদবা ফম্বাল্লান্দা ঈমু নাইমু তানবগী থৌদোক মশীং লাকঙমদনা থোকখ্রে। মদুগী মহয় লাঞ্জদবা মীচম মীয়ামদা চৈথেং কয়া পীরকখ্রবনি।

ঐখোয়না দেমোক্রেসি মহাউ তংলক্লিবসি চহী হুস্ফুতরা হেল্লক্লে। অহাউ অথুম ঙাক্তমক ওইফম থোকপনি। অদুবু কদাইৱাইদা শোয়রিবনো খঙদে অখা-অয়াক পিক থন্না য়াওই। অতৈ অতোপ্পা ষ্টেটকী পল্লুদ্রবসু মণিপুরগী ওইনদি লৈঙাকলোন পোথিদা পার্টি অমদগী অমদা চোংথোক চোংশিন তৌবসি লেমজনীংঙাই ওইবা থৌদৌ অমা ওইনসু খন্নরে। পেঞ্জদবা কয়ামা য়াওরগসু মীহুৎ মতুং ইল্লিবা খরনা *মিনিষ্টর ফম ফংদ লাক্তবকা য়ারোই, লৈঙাক খুর্জি পায়রিবা মায়কৈদা চোংহৌরো* হায়না ইনশিনবসু য়াওরিপোৎনি। নীংজরুবদু মপা ওইরকপদা মা মানা নমখিবা মার্কাদু কাউথোক্তুনা হরাউনবসু য়াওদবা নত্তে। পার্টিদা য়ূম্ফম ওইবা মীখল ওইরবসু ৱাহন্থোক লৈতবগুম্না উরি। মীশক মীমায়, শেল-থুম, কিহন-খংহনবনা মীখলগী চোয়-চাং ওনবদৌনা তৌরি। ওপোজি সনগী এম এল এনি হায়বদা নুংনাংবা পোকপগী মহুত্তা রুলিংগী অশোয়বা চুমথোক্তুনা লৈবাক শেম্বদা মায়পুনবা থৌদাং লৌরিবনি হায়বগী চাওথোকচবা পোকপা মখোয়দু মীয়ামগী য়াইফনবা খনবা মীহুৎনি হায়নীংই। হন্দক মরক তমথীরবা লায়না লাইচৎকী চৈথেংনা হা হা কানরবা চৈরকসিদা মীখলসু অসুম অসুম নকশিল্লক্লি। করি করম্বা পোথি নৎত্রগা মরন্নাই পেন্দবা লৈবননো খঙদে, এম এল এ খরা মখোয়গী পার্টিদু তুংওইনরম্বা অরোনবা ৱাফম ওইদ্রে, ৱা ৱা লাউনরে। ফীভমসিদবু করি করম্বা চাওখৎ থৌরাং পায়খৎপা ঙমগদৌরিবনো? লাইবক লৈরগনা *ওন্থোক্লা শিংখ্রেদা* দাউ য়াদ্রগনা *করি চাগেনা তৌরুরিনো* হেক মহায়বীবা, মসিনি মীয়ামগী মোত হায়ববু। কল্লক পেনবা খরা, শাউবা খরা, হরাউবা কয়া কৈনোমা ইতৌ তৌরে। কনাবু ঐখোয়গী অশেংবা মীহুৎ ওইহনগদগে হায়বসি কুপথনা খনবা মীগী মশীং পংয়াম য়ামদ্রমাল্লে। মথায় থায়নদগী চৎনদুনা লাকখিবা লমদমসিগী লৈঙাক্লোন্দা ফজবা চৎন-কাঙলোন খরা লৈরম্বগী খুদম চাংদম ফংই। অহল লমনশিংনা তাকপীরম্মী -*ইবুধৌ নোংদা লাইরেন পাখংবগী অশেংবা ঈগী চাদা নাউদা নত্তবা মহাক্তু সনা তাংবন্দা মীকুপ অমা ফাওবা ফম্বা ঙমদে।* ৱারী অমসু লৈ - মৈদিংঙু নাউখম্বনা থুপখ্রবদা কংলৈ ফম্বাল কাবগী মতাংদা সনা ঈ অশেংবা নত্তবা নাউফং অহনবা অমসুং সনা ঈ অশেংবা নাউফংবা অনীগী মরক্তা মুক্লবগী ৱাথোক লাকখি। লাই ৱায়েন য়েংননবা ঈশিংদা ঈরুপ্লবদা সনা ঈ অশেংবা নাউফংবনা ফম্বাল কাখি। লৈঙাক থৌ পুবদা মতিক চাবা তরু তরুবা লৈঙাকলোই ওইবা মীশক খনফম থোকই হায়বগী পাউজেলনি হায়বা য়াই। দেমোক্রেসি করিনো খঙলবা মীয়ামদি, মতিক চাবা লৈঙাকলোই ওইহনগে ওইহল্লোই ঐখোয়গী খূত্তা লৈ। ●

ষ্টেটকী পাউ

## পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৬ (ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট ভি দি এফ ৱেলফ্যের এসোসিএসন, থৌবালনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুংদা লৈরিবা ভি দি এফ পর্সনলশিংগী মরক্তা অনা-অয়েক, অশোক অপন থোল্লকপদা লেপ্তুনা মতেং পাংবগী মখা চথ্রকপা ওইনা ঙসিসু এস পি/থৌবাল জোগেশচন্দ্র হাওবিজম, আইপি এস মহাক্কী লমজিং মখাদা এসোসিএসনগী লীদরশিংনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুংদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা ভি দি এফ পর্সনল ৫গী ময়ূম ময়ূমদা চত্তুনা মখোয়গী ফেমিলিশিংদা চেঙ, হৱাই, থুম-থাও য়েন্থোকখ্রে হায়না থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ভি দি এফ ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি কোন্সম বিক্রমনা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ভি দি এফ পর্সনলশিংনা কোভিদ-১৯ থেংনবদা ফ্রন্টলাইন ৱরিয়র অমা ওইনা মথৌ তৌবদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবদগী হৌজিক হৌজিক ক্বারিন্টিন সেন্টরদা লায়েংদুনা লৈখিবদগী মখোয়গী লৈকায়দা কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখিবনা য়ূমদগী মপান্দা থোক্তুনা চান-থক্লবা পোৎলম কয়া মখোয়গী ফেমিলিশিংনা য়ূমদগী থোক্তুনা লৈবা য়াদবগী অৱাবা কয়া লৈবনা মখোয়গী ফেমিলিশিংদা ভি দি এফ ৱেলফ্যের ফন্দগী শেনফম খরা কায়থোক্তুনা অসিগুম্বা পোৎলমশিং অসি লৈরগা য়েন্থোকখিবনি হায়রি।

## জিরিবামগী এম এল এ অশাব উদ্দিননা করেম কথায়না ঙাঙবা তৌবীগনু: বি দি ও প্রসিদেন্ট

ইম্ফাল, জুলাই ২৬ (ঐচএনএস): জিরিবামগী এম এল এ এমদি অশাব উদ্দিননা ঙরাং জিরি-তিপাইমুখ (জে টি) লম্বীগী মতাংদা করেম-কথায়ননা ঙাঙখিবা অদু বরাক সর্কলদা লৈরিবা বোরোবেক্রা দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসননা কন্দেম তৌরক্লি। অশুক কুইবা মতম অসি লোত্তুনা লৈখ্রবা, জিরিবামগী এম এল এ লৈ হায়বগী মশক উদ্রবা মতমদা জিরিবামগী বরাক সর্কলগী লাইফলাইন ওইরিবা জে টি রোদ অসি লম্বী চৎপা য়াদনা য়াম্না অৱাবা ওইবদগী মীওই খরনা চৎপা য়ানবা হায়দুনা মশাগী ফুরিৎখাওদগী শেল পুথোক্তুনা মীয়ামগী খন্দুনা লম্বী শেল্লিবা মীওইশিংবু থাগৎকে হায়দদুনা য়াম্না লৈবাক মচা তাদবা মওংদা মিদিয়াদা ফোঙদোরকপবু নুংঙাইতে হায়না ফোঙদোরক্লি।




পাউমীশিংগা উনবা অমদা বোরোবেক্রা দিভলপমেন্ট ওর্গনাই-জেসনগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা পুখ্রম্বম জিতেননা হায়খিবদা, জিরিবামগী খ্বাইদগী মরু ওইবা জিরি-তিপাইমুখ লম্বী অসি দিভলপ ওইদ্রি ফাওবা জিরিবাম অসি চাওখৎ থৌদাংগী লম্বীদা চৎপা ঙম্মোই। মতম খূদিংমক্তা জে টি রোদকী মতাংদা রাজনিতিদা পুশিন্দবীদা জে টি রোদ অসি অথুবা মতমদা শেম্বীনবা লীদর খূদিংমক্তা হায়জরগা লাকপনি। অদুবু লৈঙাক অমদি লোকল এম এল এনা হান্না য়েংবীরক্তবদে বি জে পিগী প্রোটোকোল মণিপুর প্রদেশকী চেয়রমেন ওইরিবা কে শরতকুমারদা ওর্গনাইজেসনশিং খরা পুল্লগা মতেং নীরুবদে মতেং খরা পীবিরবা মতুংদা বোরোবেক্রা দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন, দ্রাইভ এসোসিএসন অমদি ৱার্দ মেম্বরশিংগা খূৎশম্নরগা জে টি রোদকী হেন্না ফত্তবা বি হুভেংগী লম্বী শেল্লিঙ তাল্লক্তা জিরিবামগী লোকল এম এল এ অশাবুদ্দিননা মিদিয়াশিংদা থমখিবা ৱাফমশিং অদু প্রজা খূদিংমক্না য়াম নুংঙাইজদে।

মরমদি অসুক ৱানা লম্বী শেল্লিবা তাল্লক অসিদা এম এল এনা করেম্নরগা ফুরিৎখাওদগী গাড়ীগী নুঙ গাড়ী অমা/অনী থাদরগা হেক্তা লম্বী ওইবা য়াব্রা হায়না ৱাহে শীজিন্নখিবা অমদি লম্বী অসিবু শেল্লিবা মীওইশিংবু থাগৎপা ৱাহে হায়দনা হুল্লগা ঙাঙলিবা অদু বরাক সর্কলগী মীয়াম্না নুংঙাইজদে। চিনগী ৱাহে তোক্লগা থবক ওইনা উৎপীয়ু। ইলেক্সন ময়াদা লম্বী শেম্মী হায়না তাৎ তৌরগা মীয়ামদা শান্নবীনু অমদি জে টি রোদ অসিগী মতাংদা রাজনিতিদা পুশিনবীনু হায়না ফোঙদোকখি।

মণিপুরদা আই এল পি অসি চৎনরবদি মণিপুরদা মীতোপ লৈবা য়ারোই হায়না হায়রম্বা মানা ঙরাংনা মিদিয়াদা আই এল পি অসি মণিপুরগী য়েলহৌমীগী কন্নবনি হায়রকপা অসিদা অঙকপা পোকই হায়রদুনা ঙসিনা অমা, হয়েংনা অমা ঙাঙবসি তোকপীয়ু হায়না জিতেননা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

## এম এস এফ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী মনুং চন্না লৈরিবা খুরাই ব্রাঞ্চকী থৌপুবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৬ (ঐচএনএস): ঙসি মণিপুরী ষ্ট্যুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ) ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী মনুং চন্না লৈরিবা খুরাই ব্রাঞ্চ (২০২১-২২) গী ওইনা রিফোর্ম তৌদুনা থৌ পুগদবশিং খন্দুনা ভিদিও কনফরেন্সকী খূথাংদা হেদ ক্বার্টরগী ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি সুন্দর খুমননা হাংদোকখ্রে। লোয়ননা থৌরম অদুদা এসিস্টেন্ট ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি খাঙেম্বম তাঞ্জানিয়া, হার্লি লাইশ্রম অমদি ইম্ফাল ইষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট খুল্লাকপম ইমরান শাহ অমদি ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি সোরোখায়বম লেম্বসু শরুক য়াখি হায়রি।

এম এস এফকী থবক থৌরম কয়া মণিপুরগী কাচিন কোয়া লোইজিং লোয়া মফম শীনবা থুংনা মহৈরোয় খুন্নাইগী অমদি লৈবাক মীয়ামগী থবক থৌরমশিং তৌবদা মঙম শান্না পাঙথোকপা ঙম্নবগী ৱাখল্লোন্দা ঙসি এম এস এফ খুরাই ব্রাঞ্চ অসি রিফোর্ম তৌবনি। ঙসিগী ভিদিও কনফরেন্সকী মীফম অদুদা মহৈরোয় অমদি হৌগৎলক্লিবা নহারোলশিংনা খুন্নাইসিদা অওনবা অহোংবা পুরক্ক বা হোৎনবদা লৌগদবা থৌদাংশিং অমদি হৌজিক হৌজিক লাম্থেংনরিবা কোভিদ-১৯ অসিদগী মতৌ করম্না চেকশিন্না লৈগদগে হায়বনচিংবা কয়াগী মতাংদসু কূপ্না খন্নখিবগা লোয়ননা এম এস এফকী থবক থৌরমশিং মঙম শান্না পাঙথোক্লবা অচেৎপসু লৌমিন্নখি।

এম এস এফকী নৌনা থৌ পুগদবশিং অদুদি- তাতু পুয়াম, প্রসিদেন্ট; নেহা ক্ষেত্রিময়ূম, ভাইস প্রসিদেন্ট; রোজিৎ য়ূমখায়বম, জেনরেল সেক্রেটরি; রোসন নিংথৌজম, জোইন্ট সেক্রেটরি; অভিজিৎ অথোকপম, জোইন্ট সেক্রেটরি; মার্কোনি অরিবম, ফাইনান্স সেক্রেটরি; বিরাজ লাইফ্রাকপম, এসিস্টেন্ট ফাইনান্স সেক্রেটরি; রাকেশ ক্ষেত্রিময়ূম, ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি; নোংপোকঙানবা নোংমাইথেম, এসিস্টেন্ট, ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি; লিসা ৱাইখোম, ৱিমেন এফ্যের্স সেক্রেটরি; অথোকপম অঞ্জলি, ৱিমেন এফ্যের্স সেক্রেটরি; এসিস্টেন্ট অনৌবা য়াংবম, পব্লিসিটি সেক্রেটরি; মৈরাবা সলাম, এসিস্টেন্ট পব্লিসিটি সেক্রেটরি; তাইসন খাইদেম, দ্রগস এফ্যের্স সেক্রেটরি; শ্যাম খাইদেম, এসিস্টেন্ট দ্রগস এফ্যের্স সেক্রেটরি; চনচন অহৈবম, ইনভাইরনমেন্ট এন্দ ইকোলোজিকেল এফ্যের্স সেক্রেটরি; গুনিতা রাজকুমারি, এসিস্টেন্ট ইনভাইরনমেন্ট এন্দ ইকোলোজিকেল এফ্যের্স সেক্রেটরি; খৃষ্টিনা তোইজম, কলচরেল এফ্যের্স সেক্রেটরি; সঞ্জেনবম ন্যুতোন, এসিস্টেন্ট কলচরেল এফ্যের্স সেক্রেটরি অমদি শ্যাম খুলেম, ওফিস সেক্রেটরিনি।

## ইমুং ৩০দা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৬ (ঐচএনএস): সোসল দিভলপমেন্ট এন্দ স্পোর্টিং ক্লব পাঙ্গনতাবী অৱাং লৈকায়না কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসিবু থেংননবা থবক কয়া লেপ্তুনা পায়খৎলি। ক্লব অসিনা লায়না লাইচৎ অসি থেংননবা হোৎনবদা তোঙান তোঙানবা অৱাৎ-অপা কয়াসু মীয়াম্না লেপ্তুনা মতেং পাংবীরক্লি হায়না ক্লব অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি এম সোমোরজিৎ লুৱাংনা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ক্লব অসিনা কোনবা মফমশিংদা লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা নাখ্রবা ইমুংশিংদা এ সী অসিগী এম এল এ কে রঞ্জিৎনা চান-থক্লবা পোৎলম কয়া লেপ্তুনা মতেং পাংবীরকপা অমদি মখা তানসু অঙম্বা থাক্তা তৌবীরকখিগনি হায়না থম্বীবা অসিসু নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি।

ক্লব অসিনা লোকদাওননা মরম ওইরগা হেন্না খুদোংচাদ্রবা ইমুং ৩০দা নোংমগী তঙায় ফদবা ইমুংগী পোৎলম কয়া য়েন্থোকখ্রে। পোৎলমশিং অসি য়েন্থোক্লবা হোৎনবদা মতেং পাংবীরকখিবা টিঐচ ইবোমচা, মেনেজিং দিরেক্টর লমজিংবা হোস্পিটালবুসু থাগৎপা ফোঙদোকচরি। লোয়ননা ক্লব অসিনা লায়না-লাইচৎ অসিবু থেংননবা হোৎনবদা তঙায় ফদনা চঙবা ফেশ মাস্ক, হেন্দ সেনিটাইজর অমদি থক্লবা ঈশিং ৱাঙু লমখায় পুলিস আওট পোষ্টকী পোষ্ট কমান্দর অথোকপম বসন্তনা লুচিংদুনা মতেং পাংবীরম্বগীদমকসু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি হায়রি।

মখা তানসু ক্লব অসিনা লায়না লাইচৎ অসিবু থেংননবা লেপ্তুনা হোৎনখিগনি। লোয়ননা মীয়াম্নসু লায়না লাইচৎ অসিবু থেংনবদা অচৌবা থৌদাং লৌমিন্নসি। লৈঙাক্লা থোক্লিবা চৎন-কাঙলোনশিং নীংথিনা ঙাকমিন্নসি হায়নসু আপীল তৌরক্লি।

## গো ক্লীনগী চহী ফারকপগী থৌরমদা উ থাখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ২৬ (ঐচএনএস): 'গো ক্লীন- মায় নানবগুম অকো-য়ববুসু নালহনসি' হায়বা ৱাখল্লোন্দা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ৱাংজিং অমসুং লমদিং খুঙ্গং অনী অসিদা লৈরিবা লুবা-নানবা পামজবা মীওইশিংনা খুঙ্গং অনী অসিদা নুংতি নুমিৎ খূদিংগী শীৎ-শেংবগী থবক তৌরক্লিবা অসি ঙসি নুমিৎ ৩৬৫ শুখ্রে।

'গো ক্লীন' স্লোগান অসিগী মখাদা পীল্লিবা অঙাংশিংদগী হৌরগা নুপীমচা-নুপামচা য়াওনা মীওই কয়ানা ঐখোয়গী অকোয়ববু নালহন্দবা য়াদে হায়দুনা নুমিৎ খূদিংগী পাঙথোল্লিবা শীৎ-শেংবা অসিদা মণিপুরগী মফম কয়াদগী অমদি মণিপুরগী মপান্দগী মীওই কয়ানসু য়াওশিনবীদুনা পাঙ্গল থৌনা হাপ্পীরি।

ঙসিগী চহী অমা মপূং ফাবগী মপূং ওইবা থৌরম লৈঙাক্লা শেম্বীরিবা কোভিদ-১৯গী এস ও পি ঙাক্লা মফম কয়াদা উ চারা থাবা, উ চারা য়েন্থোকপা অমদি লম্বী শীৎ-শেংবনা ওইখি। মতুংদসু লেপ্পা লৈতনা শীৎ-শেংবগী থবক পাঙথোক্তুনা লুবা-নানবা ইরমদম অমা ওইহন্নবা হোৎনরকখিগনি হায়দুনা 'গো ক্লীন'গী ভোলুন্টীয়রশিংনা ফোঙদোরক্লি।

নীংশিংবা য়াই, 'গো ক্লীন' মিশন অসি কুমজা ২০১৯গী জুলাই ২৮দা ৱাংজিং কোদোম্পোকপী পোলোগ্রাওন্দদা হৌদোক্তুনা ভোলুন্টীয়রশিংনা নোংমগী পূং অমমম শীৎ-শেংবগী থবক তৌদুনা লাক্লি। মসিগী মথক্তসু 'গো ক্লীন'গী ভোলুন্টীয়রশিংনা ঙসি ফাওবদা লুবা-নানবা অমদি ইনভাইরনমেন্ট কনবগী থবক তৌরিবা মীওই কয়াবুসু পূক্লিং থৌগৎপা ওইনা মতেং পাংদুনা লাক্লি। লোয়ননা গো ক্লীনগী ভোলুন্টিয়রশিংনা লমদম অসিগী মীয়ামদা 'মায় নানবগুম অকোয়ববুসু নালহল্লসি', ঐখোয়না লূনা-নান্না লৈনবা হোৎনমিন্নরসি হায়বা পাউজেলসু পীজরি হায়রি।

## ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৬ (ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবালগী মীৎয়েং মখাদা কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্স চরাংপাৎ অমদি সী এ ৱাই এ চরাংপাৎ অনীনা খূৎশম্নরগা শীন্দুনা ঙসি চরাংপাৎ মমাঙ লৈকায় চিঙু অরোং নিংথৌ লাই হরাওফমদা মেগা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

মেগা ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম অদুগী শরুক অমা ওইনা কোভিদ-১৯ এপ্রোপ্রিএট বিহেভিয়রগী মতাংদা মীয়ামদা ৱাখল তাহনবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা দি সী থৌবাল রাংনামৈ রং পিতর, দিষ্ট্রিক্ট ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম থৌবালগী নোদেল ওফিসর দা. কেএসঐচ মেমচা, নেসনল হেল্থ মিশন মণিপুরগী কোভিদ-১৯ ভেক্সিন প্রোজেক্ট কেম্পেনর নব ভোলকেনো, সোসল ৱর্কর কে জাদুমনিনচিংবা শক্লাইরবা মীওই কয়ানা ৱা ঙাঙখি। তমথিরবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা অমত্তা ঙাইরবা পাম্বে ওইরিবা ভেক্সিন অসি কাপথোকমিন্নদুনা লমদম অসিদা থর্দ ৱেভকী চৈথেং ফংদনবা হোৎনমিন্নসি। লোয়ননা মহৌশাগী পুন্সিদা হঞ্জিলহনবদা ঐখোয় খূদিংনা থৌদাং লৌমিন্নসি হায়নসু ৱাঙাঙলোয়শিংনা মীয়ামদা আপীল তৌখি।

## সী এমবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ২৬ (ঐচএনএস): কোভিদ-১৯ পেন্দমিক অসি মপূং ফানা লাকশিন্নবা হৌখিবা মে ৮দগী মণিপুরদা লোকদাওন তৌদুনা লাক্লি। মসিনা লায়রবা প্রজা কয়াদি য়েনেপোন মনুংদা লৈবা মচীঞ্জাক থাবীদ্রবা য়েন্নাওশিংগা মান্নমা হিংবা হায়বদু ওইরক্লে। অসিগুম্বা ফিভম তাদনবা লৈঙাক্লা থাসিজী ৩দা মণিপুরগী গেজেটতা ফোঙদুনা সী এম কোভিদ-১৯ লাইভলিহুদ সপোর্ট স্কিম হৌদোকখিববু ককচিং খুন্নাই চাওখৎ হনবা লুপ (কেকেসী এল)না থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

## লুপশিংগা ৱাখল তামিন্নখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৬ (ঐচএনএস): হৌখিবা থাসিগী ১৭তা হিজম লুৱাংলেম্বা হায়রিবা মীওই অসিনা পিরাং কৈশামগী ফেশবুক পোষ্ট অমদা লাইওইখ্রবা অহল ইবুংঙো ৱাংখেমচা চিংতমলেনবু মরী শুক্লে লৈনদনা হন্দক লৈঙাক্কী ৱারেপ অমনা লাইনিংথৌ নোংশাপা (কংলাশা)গী ময়াদা খল্লম্বা কাবাক অদু লৌথোকখিবা অদুদা লাইওইখ্রবা অহল অসিবু চিংশিন্দুনা চৈ-থাংদুনা মিংচৎ থিননবা হোৎনখিবা অদুগী মতাংদা থাসিগী ১৯দা পাউচেগী খূথাংদা শেংদোক্লকবা হায়খিবা অদুগী মখা তারকপা ওইনা থা অসিগী ২৫দা মহাক মশানা য়ানা কংলৈপাক হিষ্টোরিকেল এন্দ কলচরেল রিষর্চ সেন্টর, কংলৈপাক কনবা লুপ, মোইলাং সলাই য়াকাইপুং, সিভিল সোসাইটি ওফ কলচর কংলৈপাক, ওল মণিপুর কবুই ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন, কবুই য়ুনিয়ন মণিপুর, কংলৈ য়াকাইপুং কংলৈপাক, কেকে মোইরাং কংলৈরোল কনবা লুপশিংগা ৱাখল তামিন্নখ্রে। মতুংদা অসিগুম্বা ৱাখল খন্থবা ৱাৎপগী থৌওং অসি অমুক হন্না তৌজররোই হায়না য়ান-চেরোল অমদা খূৎয়েক লৌনদুনা লুপশিং অসিগা য়াশিন্নরে হায়না কংলৈপাক হিষ্টোরিকেল এন্দ কলচরেল রিছর্স সেন্টরনা থোকপা চেরোল অসিদা খঙহল্লক্লি।

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**DIRECTORATE OF TRANSPORT**
**/ NOTIFICATION**
Imphal, the 26th July, 2021

**No. DT/8/458/STA/2017(Pt-1) :** In partial modification of this office notification of even No. dated 24/07/2021, it is hereby informed to all concerned that the submission of information to the Directorate of Transport in connection with Chief Minister's COVID-19 Affected Livelihood Support Scheme has been deferred until further order keeping in view of difficulties by the public transport and school van drivers to physically collect and submit forms due to the current curfew and restriction of COVID-19 pandemic.

Sd/- **Dr. Nivedita Lairenlakpam**
Director (Transport), Manipur
HL-B/7050/27

**BOARD OF SECONDARY EDUCATION MANIPUR**
**/ NOTIFICATION**
Imphal, the 26th July, 2021

**No. Ex/62/71(Vol-I)Pt :** It is hereby notified for information to all Principals/ Headmaster/ Headmistresses that due to imposition of curfew in the State on account of Covid-19 Pandemic, the BSEM is not in a position to distribute Admit Cards to Schools for the H.S.L.C. Examination, 2021. For convenience of students, Schools may download Admit Cards **w.e.f. 27/07/2021** from the BSEM's portal **"hslcportal.bosem.in"** and Original Admit Cards will be issued at the time of issue of Original Mark Sheets.

Sd/- **L. Mangi Singh**
Controller of Examinations
HL-P/6361/27

**MAIPAKPI MATERNITY AND CHILD HOSPITAL**
*Center for Infertility, Mother and Child Care.*
NORTH A.O.C, IMPHAL WEST, MANIPUR.
MC-4109

**/ WANTED**

MMCH/AD-33/HR/2021: Interested candidates are requested to submit resume at HR department or send us through email: maipakpi30@gmail.com on or before 31st July, 2021.

| Sl. No. | Post | No. of Post | Qualification | Desirable | Interview |
|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Front Desk Assistant | 2 Males 2 Females | Graduate | Fluency in English, Hindi, Manipuri & having computer knowledge. | Shortlisted candidates will be called for interview. |
| 2. | Security | 2 Male | 10th passed | Having driving experience in Light Motor Vehicle. | Shortlisted candidates will be called for interview. |

*Timing: 10:00 am to 3:00 pm*
*Sd/-HR Manager, MMCH*
HL-P/6360/27